## চয়োলগী ৱাশি ফল

তাং ২৪–১১–২০২৫ দগী ৩০–১১–২০২৫

আচার্য্য অহমভিজিৎ সাইরোম

শিক্ষা গুরু

দি এষ্ট্রোলোজিকেল কোচিং সেন্টর,উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়,

লেন নম্বর ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ৯৩৬২৫১৩৭৯৩

মেষ – চয়োল অসি চাগগা চাদিংগা চাদিংনা হেনগনি, কোক শাবা, থবক থৌরম লোয়নগনি, অঙম অথৌগী মরি ফত্তে, লম–তু অরাপ্পা চৎকনি। চাবা থকপা চাং নাইদবা পীরি।
পাখঙ লৈশাঃ অশোয়বদা ঙাক্লগনি।
ঙাকথোকচনবাঃ থোইদিং অমুবা, অপ্রজিতা হিগোক ৩।

বৃষ – চয়োল অসি তৌরুবা থবক অয়াম্বা শেন্দোং লৈগনি, অচা অথক্কী করবার হেন্না শেন্দোং ফংগনি। মীয়ামগী মরি ফগৎপা পীরি। নক্ষত্র ৪ দি হি য়াই ফংবা পীরি। হকচাং লোক চেনগনি।
লৈশা–পাখঙঃ ৱাখল বুদ্ধি থোকপা পীরি।
ঙাকথোকচনবাঃ লৈ অঙৌবা ৩, হৈরম ৩।

মিথুন – চয়োল অসি থবক শু–নোম্বদা মহয় লিক্ল ফংবা মীৱা তাবা, মী তিন্নদবা মত চান্নদবা থোক্কনি। অদুবু তাং ২৬–২৮ অরু অপান, জীব পানবা ফংবা লৈ। হকচাংঃ মবুক মরিল তাওবা পীরি।
লৈশা–পাখঙঃ অৱা নুংঙাই লোয়নগনি, চান্নজগনি।
ঙাকথোকচবাঃ শঙ্গোম অনৌবা, অঙৌবা ৩।

কর্কট – চয়োল অসি অঙম অথৌগী থৌজাল ফংগনি। ঙা চাক্কী করবার শেঞ্জাও ফংগনি। অনিংবা থবক লায়না পাঙথোক্কনি। তাং ২৪–২৮ দি লন–সম্পতি চাওখৎপা, মীংচৎ ফংবা পীরি। হকচাংগী ওইনদি খৌনাও, নাকোং নুংঙাইরোই।
লৈশা–পাখঙঃ পুক্লিং ৱাবা, পেন্দবা থেংনগনি।
ঙাকথোকচবাঃ হৈরম ৩, লৈরম ৩।

সিংহ – চয়োল অসি ইমুংগী ইখা থাবাশিংগী মরিদা শেল চৎকনি। মীৱা মৈশা লাংগনি। লম–তু অরাপ্পা চৎপা, ঈশ্বরগী থবক থৌরম পাঙথোকপা ঙমগনি। মীয়ামগী মরী ফগৎকনি। নক্ষত্র ১০ দি অশোক–অপন লৈ। চেকশিল্লু।
লৈশা–পাখঙঃ নিংজবা মপা থোক্কনি।
ঙাকথোকচবাঃ থোইদিং অমুবা, শঙ্গোম অনৌবা।

কন্যা – চয়োল অসি শেন্থোক লম্বী ফগৎপা অঙম্বনা চানবীবা, য়ুম–কৈ অনৌবা শাবা গাড়ি লৈশিনবা পীরি। শা–ষণগী করবারদি শেন্দোং চাওনা ফংবা লৈ। হকচাংগী ওইনদি ফগৎপা, মী ইকাই খুন্নবা লৈ।
লৈশা–পাখঙঃ লন–থুম চাওখৎপা, চানবীবা লৈ।
ঙাকথোকচনবাঃ লৈরম ৩।

তুলা – তাং ২৩–২৮, হিদান্নবা থবক মায় পাক্কনি, থাজদনা মীংচৎ ফংবা, মীয়ামগী থবক থৌরম পাঙথোকপা ঙমগনি। মহৈ মরোংগী করবার শেন্দোং হেন্না ফংবা, ইমুংগী ইচ ইশুগী শুভ–কর্ম্মগী থবক থেংনগনি। হকচাংঃ কোক লুম্বা মীৎ নুংঙাইতবা পীরি।
লৈশা–পাখঙঃ মীৱা লৌবদগী পেন্দবা থেংনগনি।
ঙাকথোকচবাঃ হৈরম ৫।

বৃশ্চিক – চয়োল অসি, পোৎচৈ অপানবা, গাড়ি মাঙবা, হুরান–চিন্থিদগী অকিবা ফংবা পীরি। থবক তৌবদা নিংবা থুংবা ৱাকৎনি। নক্ষত্র ১৭ তি লন থুম চাওখৎপা লৈ। হকচাং শিংলি নাউরি পাংদে।
পাখঙ–লৈশাবীঃ পুক্লিং ৱাখল খঙবিগনি।
ঙাকথোকচবাঃ শঙ্গোম অনৌবা, লৈ অঙৌবা ৫।

ধনু – তং ২৩–২৭ শা–ষণ, জীব পানবগী করবারদা শেন্দোং চাওনা ফংগনি। থবক ফমথোল কাবা, অঙম্বনা চানবীবা শেন্থোক লম্বী ফগৎকনি। অনৌবা য়ুম্বালবশিংগীদি জীব পানবা চঙবা পীরি। হকচাং ফরি।
লৈশা–পাখঙঃ অনৌবা, মরুপ ফংগনি।
ঙাকথোকচবাঃ লৈরম ৫।

মকর – চয়োল অসি মীগা মুক্লবা লৌরি য়ুম্ফমদা নিংঙাই শংদান্নগনি। অরেম্বদা শেল চৎকনি, মীনা হুনগনি, অদুবু শাগৈ ঙাইগী মরিদি ফগৎকনি। তাং ২৬–২৮ শা, ষণ লৈশিনবা পীরি। হকচাং ঈ নুংশিৎ মনিং তমই। নক্ষত্র ২২ দাও য়াগনি।
লৈশা–পাখঙ ঃ অঙম তান্নগনি। অকায়বা লৈতে।
ঙাকথোকচবাঃ হৈরম ৩, লৈরম ৫।

কুম্ভ – তাং ২৩–২৮ তৌরুবা খুদিং লেন্না মাঙলোই, মীংচৎ ফংগনি। মীয়ামগী মরি ফগৎকনি, মাঙখ্রবা লন হঞ্জিনবা পীরি। ঈশ্বরগী থবক থৌরমদা শেল লন চৎকনি। চাবা থকপা হাওগনি। নক্ষত্র ২৩ দি খরা পাংদে।
লৈশা পাখঙঃপুক্লিং খঙনগনি।
ঙাকথোকচবাঃ অঙ্গুর– চরোং ১।

মীনা – চয়োল অসি পন্দুনা লৈবা শেনফম ফংলগনি। অঙম্বগী মতেং মপাল ফংবা, পোৎচৈ, গাড়ি লৈশিনবা পীরি। কল্লক য়েংথিবা খরদি লোয়নরি। হৈশিংজরবদি অৱা অনা পামদবা যৌদোক্তগী উকল ওইগনি।
পাখঙ–লৈশাঃ ৱাহৈ শোয়বদগী খরা মুক্লগনি।
ঙাকথোকচবাঃ লৈরম ৫, হৈরম ৩।

# ফুঙ্গাৱারী শিংবুল ঃ– অপণ্ড চুমচং

কর্সি– বি. জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

থায়না মমাংঙৈদা লুখ্রাবী মচা অমগী মচা পাখং অনিখক লৈরম্বোইরে। অহল অদু শিংই, অতোম্বদুদি য়াম্না পঙবোইরে।

অহল ওইরবী মমা লুখ্রাবী অদু কন্না নারদুনা, নোংমা ময়াম্বা অশিংবনা মনাও অপঙদা হায়রকপোইরে, "ইবুংঙো ইমা অনাবসি ইয়াম্বা শঙহৌরগে। নঙ লৌবুক কুম্লগা ফৌদু খরা য়েংলু।" ময়াম্বগী ৱা তাবদা অপঙনা মখুৎতা চৈ অমা পায়রগা লৌ য়েংবা চৎখ্রে। লৌবুক য়ৌরবা মতমদা ফজখ্রবা ককচেং ফৌ ময়ামদু মমিত্তা চান্নবা ককচেং ওইনা উরদুনা, ফৌদা ককচেং তারে হায়দুনা পায়রিবা চৈ অদুনা লোইনা কন্থৎলম্লগা ময়ুমদা হল্লক্লে। মনাও অপঙনা ককচেং, লোইনা কন্থৎলম্লে হায়বা পাউ তাবদা ময়াম্বনা, "মাঙেঙদনা ! ইবুংঙো নঙ ইমা শঙলম্মু" হায়রগা লৌ য়েংবা চৎখ্রে।

অপঙনা অনাবা সেবা তৌদুনা লৈরিঙৈদা মমা অনাবীনা ঈশিং থক্কে হায়রকপোইরে। অপঙনা ফুঙ্গাদা লোক–লোক শৌদুনা লৈরিবা ঈশিং অদু থাংথরগা মমাগী ময়াদা জোরো–জোর হৈজিনববু মমা অনাবীদু ঈশিং অশাবনা পোক্তুনা শিরে। ময়া কাদুনা, শিদুনা লৈবদু অপঙনা, "হায় ইমাসি চু চানিংমাল্লে" হায়দুনা শিরবা মমাদুবু চু হৌরিবা চুগোন্দা থম্লুরে। ময়াম্বনা হল্লকপদা তৌরন্লিবা মতৌ অসি উবদা ময়াম্বু অদু ও! খোংনা কপ্লে, "ওহ্নোকপনিদকো ইবুংঙো! ইমাসি শিরবনিনহে। ফরে পোৎলোইনবা শীং য়াল্লুচো" হায়দুনা শীংজং অমা পীরগা থাখ্রে। উমং য়ৌরবদা অপঙনা উ কাখৎলগা মশা অমদা তোংলে অদুগা মানা তোংলিবা মশা অদুমক য়ানবা হৌরে। মানা উশাদু য়াল্লিঙৈদা নুপা অনিখক লাকপোইরে। অপঙনা তৌরিবা মতৌ অদু উবদা মখোয় অনিদু পুমঙক ঙকখ্রে। হায়রকই, "ইবুংঙো তৌরিবা মতৌ অদু করিনো ! উশা তোক্লকপদা নঙসু শোয়দনা লৈবাক্তা তাগনি। হান্নগুম্মদনা, উশাদু তেকপদা উশাগা কোন্ননা অপঙসু লৈবাক্তা তারে। অপঙনা খল্লি, 'ও নুপা অনিদু অচম্বা নত্তে, তুংদা থোক্লগদবা হায়বা ঙম্বা পাঞ্জিনি' হায়দুনা প্রপ প্রক তান্নরগা খুবাকময়ি য়েংবিয়ু হায়রুরে। অপঙগী মতৌ অসিদা নুপা অনি অদু নুংঙাইরে, লরুগে হায়দুনা খুবাক ময়ি য়েংশিন্নরগা হায়রকপোইরে, "ওহ্নোকপনিদা মরুপ ! ঙসি অসিমক নঙগী অরোইবা নুমিৎ ওইরম্লেনা ঙসিদি ! ঙসি অসি করিগুম্বা নঙনা হাকথী অহুম্লক খল্লবা নঙ শোয়দনা শিরনি।" ৱা অসি হায়রম্লগা নুপা অনিদু চৎখ্রে।

অপঙদো হাকথী খল্লক্কদ্রা হায়বগী কিবনা লোইরে। ইখন হেক খন্নিংদনা হাকথী অনিরক খন্দোকখ্রে। অমখক্তা মঙায়রে। অপঙ শিবা তারে হায়দুনা য়াম্না ৱারে। অহুম্লকশুবা হাকথী খল্লকপদা "ঐ শিরবা মীনি" হায়না খন্দুনা অসুম লাকপোইরে। অসুম লাকপদা উক্রোঙ অমা থেংনদুনা মনুংদা চঙদুনা লৈরে। হায়রিবা উক্রোঙ অসিদি অহিং অহিংদা হূরানবা অনিগী লোৎফম ওইরবোইরে। অহিং ওইরদুনা হূরানবা অনিদু লোৎকে হায়দুনা চঙলকপদা নুপা অমা লৈরম্বা উবদা মখোয় পাখৎখ্রে, হংলকই, "কনানো নঙ?" অপঙনা, "ঐ অশিবনি" হায়দুনা খুম্মী। ৱারি শান্নরবা মতুংদা হূরানবশিংদুনা মহাক অসি করম্বা মীনো হায়বা মশক খঙলে। অমনা হায়রকই, "মরূপ, শিদে। বামোন ইমুংদা হূরানবা চঙলুসি" হায়দুনা পুরক্লগা বামোন ইমুংদা অপঙদু "অরুম–অরুম্বা পোক্তমক পুথোরকউ" হায়না থাজিনখ্রে। অপঙনা ঈশিং য়াওবা খোঙহাম্বুন্দু লুম্মী হায়দুনা থাংদোরক্লে। "খোঙহাম্বুনবুদি করি কান্ননি" হায়দুনা হূরানবা অনিদু শাউরে। "হন্দকমুক্তি মখোল অহৌবা পোৎ পুথোরকউ" হায়দুনা অমুক থাজিনখ্রে। অপঙনা ইমুং চঙখ্রগা মখোল হৌবা পোৎ খল্লকপদা পুঙ অমখক উপু মথক্তা লৈরম্বদু কোক–হেক থেনরুরে। মনাউদা য়ৈবদা 'তাং' হেক লাউই। মরুদা য়ৈবদা 'ঘীন' হেক হায়। অদুদ'ইদি, হূরানবা চঙলকপা মানা মীগী ইমুংদুদা পুঙ মরীদু মরেংবান্দা হূকচিল্লগা পঙদুদা 'ঘীন তাং ঘীন তাং' হায়দুনা লৈদুনা মঙক–মরুগা হাইদুনা পঙয়ৈদা য়ৈরবোইরে। অহৌবা পুঙখোল অদু তাবদা বামোন ইমুংগী মী পুম্নমক হৌগৎলক্লে। অপঙগী তৌরিবা মতৌ অদু উবদা মী পুম্নমক 'করিনো' 'করিনো' হায়দুনা ঙক্তুনা য়েংনৈ।

অপঙনা ইমুংদা পুঙ য়ৈবদু তাবদা মপান্দা ঙাইহৌরিবা হূরানবা অনিদু চেনখ্রে। ইমুংদুগী বামোন অহন্না অপঙদুবু ফারগা 'করি তৌবা চঙলকইবনো' হংবদা অপঙনা ৱা পুম্নমক চুম্না চুম্না হায়দোকপদগী বামোন অহন্দু খনবোইরে, "মসিদি মরাল লৈতবা, অচুম্বা ঙাঙবা, থম্মোয় শেংবা অপঙনিদনা" অদুনা ফু–চৈবা তৈদনা ইরেন্না থাদোকপিখ্রে। হায়রকই, "ইবুংঙো, ফত্তবা মীগা খক তিন্নরুগনু, চুম্না চৎলু।" 'চুম্না চৎলু' হায় হায়দুনা অপঙদো পুখ্রি, খোংবাল, তুরেল, মীগী য়ুম শম–শমদুনা চুমদ্রিং লাকপনা খোংনাং অচৌবা অমা লৈরমদুনা খোংনাং মথক কাখৎখ্রে। কাখৎলুরগা অশোম থংবা মশাদা কুমথরকপদদি লৈবাক ফংদ্রবোইরে। খোংনাং মশাদা য়ান্দুনা লৈরে। চোংথসি ৱাংমল্লি করম্না হায়দুনা য়ান্দুনা লৈরিঙৈদা ফৌ লৌগে হায়দুনা শামু তোংদুনা লাকপা নুপা অমা হেক থেংনরে। শামু তোংবা নুপা অদুদা অপঙনা উশাদা য়ান্না–য়ান্না হায়রকপোইরে, "মরূপ, ঐ কুমথবা ঙমদ্রে, খরা অমুক্তা লৌথবীরম্মু।" শামু তোংবনা য়ারদুনা অপঙগী মখোঙ পায়দুনা লৌথগে তৌরিঙৈদা শামুদু কোক–হেক চখোকখ্রে। মখোয় অনিদু অমগী মথংদা অমা খোংনাংদা য়ান্দুনা লৈরে। কুমথবসু ঙমদনা অসুম্না থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরিঙৈসিদা পেনা শকপা নুপা অমসু শগোল তোংদুনা লাকপোইরে। অপঙনা শগোল তোংবা পেনা শকপা নুপা অদুদা ঙাইহাক্তা লৌথবীরম্মু। কুমথবা ঙমদ্রে হায়জবদগী শগোল তোংবনা লৌথবীগে হায়দুনা শামু তোংবগী মখোঙ পায়দুনা লৌথগে তৌরিঙৈদা শগোল অদুসু চেম্থোকখ্রবোইরে। অদুদগীদি মখোয় অহুম, খোংনাং মশাদা মথং মথং য়ান্দুনা লৈরে। মখোয় অহুম্না থরাক–থরাক য়ান্দুনা লৈরিঙৈদা অপঙনা মথক্তগী হায়রকপোইরে, "ওঝা পেনা শকপা, পেনা মতেক অমত্তা শকপিরকউ, তাসিবো।" পেনা শকপা ওঝানা লোইকুম–লোইকাবগী ঈশৈ মতেক অমা শক্লকপদা নুংঙাইমনখ্রদুনা অপঙনা মখুৎ থাদোক্লগা 'ভালো' হায়দুনা খুবাক হেক খুবদা মখোয় অহুম্মক লৈবাক্তা 'ফদ্রাক' লাউনা তারক্লে। মখা থংবা শগোল তোংবা নুপাদু মখোঙ তেক্লে। ময়ায় থংবা শামু তোংবদুনা মখুৎ তেক্লে। অপঙদি মরায়বক ফবনা অশোক–অপন অমত্তা য়াওহৌদ্রে।

উথক্তগী তারক্লবা মতুংদা অপঙনা তুরেল অমগী তোর্ব্বান্দা অসুম লাকপদা মাগুম্না পঙবা নুপা অমসু তুরেল খোঙনুংদা হি হোন্দুনা মখা পাংনা লাকপোইরে। অপঙনা হি অদু খান্নগা মাসু তোংখৎলে, অদুগা মখা পাংনা অসুম হোন্থরক্লে।

অসুম হিদু হোন্থরকপদা তোর্ব্বান্দা হৌবা উগী উশা অমদা শাবা খোইরেন খোইগী মহুমগী মমি ঈশিংদা তাবদু হেক উরুরে। অপঙনা খল্লি, "ঈশিং মনুংদা খোই মহুম শারেদনা।" অদুনা হি–বু অপঙদা হায়বোইরে, "মরূপ নঙ, ঈশিংদা ঈরুপ্লগা খোই মহুসিসি থদগৎলগা পুখৎলকউ, চাক্ল–চাক লাম্বনে, খোইহী চুপসি।" হি–বু অপঙবা ঈশিং মনুংদা চোংথখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা ফাওগৎলক্লে। অপঙনা হায়রকই, "কুইনা ঈরুপ্পা ঙমদবদগী, নঙ খোই মহুম ফংলক্তবনি, হন্দকমুক্তি কুইনা লুপ্লবা তৌসি" হায়দুনা হি–বু অপঙগী মখ্যাঙদা থৌরি কিশিল্লগা নুঙ অচৌবা অমা য়াম্থরগা লংথখ্রে। হি–বুদু লুপখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা নুংশাম্বর হোনবা ঙমদবদগী কোঙ্গোল প্রিক–প্রিক কারকপদুসু ঈশিং মনুংদা মথম্বা খোইহী চুপথোক্লে খন্দুনা মথক্তা লৈহৌরিবা অপঙদু য়াম্না শাউরে। কোঙ্গোল কারকপা মফম অদুদা পায়রিবা নৌ অদুনা পঙথিন্দা থিঞ্জিল্লে। ঙাইহাক লৈরগদি কোঙ্গোল কারকখিদ্রে। হি–বদুসু কাখৎলকখিদ্রে। অপঙদু, হিদু মখা পাংনা হোম্থরক্তুনা ময়ুম য়ৌখিবোইরে।

অশিংবা য়েক্লবদগী অপঙবা মরূপনা হেন্না খুদোংথি হায়নবগুম অপঙনা তিন্নরুবা মমা অমদি হি–বু অরেম্বদা থৱায় মাঙখি।

## ৱাখল

-দব্লিউ সুসিলকুমার

পম্বুংফম লৈতবা খোঙচৎ
পল্লেপফম খঙদবা ৱাখল।
মচিং মশেল নাইবা লীচৎ
ঐগীদমক কনানসু ৱাবীদে
কনাগীদমক্তসু ঐনা ৱারুদে।
শমুনা নোম নোম চৎলি।
তাওবনা গৌ গৌ খোংই।
খুনুনা মথোঙদা কল্লি।
মখোঙদা শম্না য়েৎলবা খুনুনা
করম্না থৌনা ফুদোক্কনি।
তাওবনা ঙাওরগা মপু থীরকই।
মপুনা মচিঞ্জাক থাবীদ্রবা তাওবদো
লম্বীদা অফংবা লাক্তুনা চাই।
অফংবা লাক্তুনা চামিন্নরম্বা কয়াসু
নিংঙাইদনা তুন্নি
মপুগী মীনুংশিগা লোয়নননা।
অথেংবা অহিং অসিদা
চরাম্নরবশিংদুনা পুরী হুইগং থাংদুনা।
খল্লি হুইগং থাংলিবা তাওবনা
ফোরগিব এন্দ ফোরগেট হায়সিরা।
নত্রগা ফ্রি এন্দ ফ্যার হায়বসিরা।
অমুকসু খল্লি নো রিত্রিট নো সরেন্দর।
অদুবু ইচিনসে কন্না পুনখিবনা
ৱাহৈ অমত্তসু ফোঙদোকপা ঙমদ্রে।
ইচিনসিনা ঙাংথোকপা ঙমদ্রবসু
খনবদি লেপ্তে ৱাখলসিদা
মসিরনে ভালো ময়ামগী
অয়ো ইথন্তা হায়বদো।
ঐসিবু হিরোরা নত্রগা জিরোরা।
ঐগী পোলোইনা কদোমদা।

## য়াকাইরোল

*– তোলচৌ শমজেৎ শাবম*

হৌরো মীকপ থোক্লো
অরিবা খুন্নাইগী লৈচিল্লত্তা
তুমদুনা লৈরিবা লায়রবশিং,
নীংঙাইদনা তুন্নিঙৈ নহাক্লা
মুনবীখ্রবনি নঙগী চাকথুং
শেঞ্জাও পায়বৈ কাঙলোনদা,
অরৈবনা লেপশিল্লি তত্তনা
লৈতবনা কায়থোক্লি অসুম্মক,
লৌ ইঙ্খোল লৈররোই
শুফম নোম্ফম ফংলরোই
শেঞ্জাও পায়বৈ খুৎলাই
মেছিন ইঞ্জিন মতমগী
খোৎ খোৎপা শুখ্রবনি।
করম্না হিংদৌরি নহাক্তি
মীনাই থৌশু নত্তনা,
লায়র–ইনাক খুনবা খায়বীবা
অনেম অৱাং নাইরিবা
মীগী খুৎশেম ঙাক্তনি
লাইগী নত্তে অমত্ত,
থোকহল্লিবনি লৈঙাক পথাপ্পা,
হৌরো মীকপ থোক্লো।

## ঐখোয় পাজিনা হায়

*– রন্ধির থিয়াম*

চীংমী তম্মী ইচিন ইনাওনি,
চীংমীনা ময়াম্বনি, তম্মীনা মনাওনি,
ঐখোয় পাজিনা হায়।
ওইরম্লোই, শুংওই ওইরম্লোই,
ওইরগবু ময়াম্বনা মনাও হাৎকদ্রা?
ঐখোয়না অমুক পাজিদা হায়।
মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ৱারিনি
চীংমীনা চীংথক্তা,
তম্মীনা তম্পাক্তা লৈনখিবতনি
ঐখোয় পাজিনা হায়।
চীংমীনা চীংদসু তমদসু লৈবা য়াই
তম্মীনদি করিগী চীংদা লৈবা য়াদ্রিবা?
ঐখোয়না পাজিদা অমুক হায়।
নাশোন পীক্লা ঙাংঙুনে
চীংমীনা তাখ্রগা ফত্তনা খনখিনিনে
ঐখোয় পাজিনা হায়।
চীংমীনা মবুক ফৎত্রিবা
খুফত্তসিগা হায়রুরবদি
লোন্নবী ইমাগী মচাগদি ওইরম্বা য়াই।
ঐখোয়না পাজিদা অমুক হায়।
তুমিন লৈয়ু, নচিন নয়া চোইগনু
নবুধৌগী নবুধৌদবু
নখোয়দি করম্না খঙলিবা?
ঐখোয় পাজিনা শোম্বাংননা হায়।
ঐখোয়সু নোকই,
ঐখোয় পাজিসু নোকই
ঐখোয় মুন্না ফাক ফাক নোকমিন্নৈ
অমুক হন্না হায়নররোইসি হায়নৈ।

## ঈশৈ ওইহৌরে পুন্সিসে

– খাইদেম বোরসিংহ

ঐনা নুংশি হায়খিদে
খনখ্রবরা মানা ঐবু
নুংশিবদি থম্মোয়গীনি
হায়নবদাইনে তাইবঙনা।
থম্মোয় অসে খঙবীরন্নবা
ঐবু অদুম মীরাইবীগনি।
খঞ্জদে অদুম লাপথোক্লমগনি
ঙসিদি করি ওইরবা।
ঐনা লোন্না শিন্থবা পিরাং
নশুংলাংগীনি সিমতং হায়জনিংই
করি পাপনো পুন্যনো সিবু
মীৎকুপ অমা কাউবা ঙমদ্রিবা।

## ঐগী ৱাহৈ

– ইরেংবম কামেশ্বর সিংহ

ইরিবনি, থিরিবনি ঐসু
ইমা লৈবাক নঙগীদমক
করি তৌরগা হায়রগা
মহৌশাগুম মনিংতম্বা ফংগদগে?
খল্লিবনি ঙসিসু অসুমক
থিখিনি হংখিনি অখঙ অহৈ
তান্নখিনি করি তৌসিগে
ইমা লৈবাক মণিপুর।
নঙগীদমক কখোক্কনি পুন্সিসে
হোৎনখিনি ইখিনি নঙগীদমক
মালেমগী লৈমায়সিদা লৈরিবা
মীতৈ হায়বা জাতিসিগীদমক।
মীতোপ মীয়ানচাশিংদগী কঞ্জনবা
নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম
চঙশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানশিং
থিংনবা হোৎনরিবা ঙসিদি
করি তৌরগা ফগনি।
পুকচেল চাওবা শারিবা
হে মীতৈগী লুচিংবা
হে অথৌবা অঙম্বা।
নবুকচেলদি শেংদনা কখোক্লিবা
অহৈ অপা শারিবা
মতম হৌখিনবা তৌরনু
অমুক্তদি ৱাখল তৌবীয়ু।
নজাতিগীদমক থম্মোয় শেংবীয়ু
নত্রবদি মতম হেনখিগদৌরে
অপিকপা ফুরুপ ওইরিবা
ঐখোয় জাতিসিবু কল্লম্মু।
লৈবাক্কী মকোক ওইরিবা
মীয়াম হুপ্না চেন চোংলিবা
কয়াগী ৱাকৎ তাবীদুনা
তুংদা লাক্কদবা মীরোলগীদমক।
ইমা লৈবাক্কীদমক লৈরম্মী
পোকপগী মহৈ ফংবীয়ু
মসিনি ঐগী ৱাহৈ।


## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 123*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | 2 | | | | 3 | |
| 5 | | | | 1 | | 7 | | |
| | | | 7 | 9 | | | | |
| | | 8 | | | | 1 | | |
| | | | | 7 | | 3 | 5 | |
| | 6 | | 9 | | 4 | | | 8 |
| 9 | | 2 | | 3 | 1 | | 4 | |
| | | 6 | | 4 | | | | |
| | | | | | | | | |

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-143*



**ACROSS**

7 Direction indicator (5)
9 Bewildered (9)
11 Knocks down (10)
12 Picturesque (6)
13 Time of prosperity (4)
15 Resentment (7)
16 Gardening tool (3)
17 Sports hall (9)
19 Gather crops (7)
20 ___ and chips, seaside treat (4)
21 Squanderer (11)
25 Northern Irish county (6)
27 Roles (5)
29 Exist (3)
30 Popular sandwich (3)
31 Decipher (5)
32 Sealskin boot (6)
34 Wildlife path (6,5)
36 Plastic brick brand (4)
39 Element, symbol U (7)
41 Naked (9)
44 Gesture of approval (3)
45 Computer accessory (7)
47 Speech impediment (4)
48 Get even (6)
50 London palace (10)
52 Three-event contest (9)
53 Florida city (5)

**DOWN**

1 Division (8)
2 Italian river (4)
3 ___ hound, tall long-haired dog (6)
4 Worrier (7)
5 Wheel spindle (4)
6 Nervousness (8)
8 Restaurant worker (8)
10 Wrongdoer (9)
14 Less (5)
16 Hiker's bag (9)
18 Not well-liked (9)
20 Travel by air (3)
22 Scandinavian nationality (9)
23 Service charge (3)
24 Telescope part (4)
26 Had more weapons than (9)
28 Oil reservoir (4)
30 Lingerie item (3)
33 Alien craft (3)
35 Apparatus (9)
37 Praise lavishly (5)
38 Selflessness (8)
40 Modernise (8)
42 Rapturous (8)
43 Black-and-white horse (7)
46 Electronic music genre (6)
49 French for 'black' (4)
51 Provoke (4)

*Puzzle-123*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 7 | 2 | 8 | 6 | 5 | 3 | 9 |
| 5 | 8 | 9 | 4 | 1 | 3 | 7 | 6 | 2 |
| 6 | 2 | 3 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 1 |
| 7 | 5 | 8 | 3 | 6 | 2 | 1 | 9 | 4 |
| 2 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 2 | 7 | 8 |
| 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 1 | 6 | 4 | 5 |
| 1 | 3 | 6 | 5 | 4 | 9 | 8 | 2 | 7 |
| 8 | 4 | 5 | 6 | 2 | 7 | 9 | 1 | 3 |

*Crossword-143*



Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733